**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-01-2025)**

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম ন্যু দিল্লিগী করতভ্যা পথতা পাঙথোকখি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল ৱার মেমোরিএলদা চৎতুনা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা লৈবাক অসিগী অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নীংথিজরবা মাচ পার্সকী সলামী ওকখি। কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকী চীফ গেষ্ট-ইন্দোনেসিয়াগী রাষ্ট্রপতি প্রাবোৱো সুবিয়ান্টোনা ওইখি।

পেরেড অসিদা ইন্দোনেসিয়াগী মী ১৬০ না শাবা মারচিং কন্টিজেন্ট অমসুং মীএই ১৯০ না শাবা বেন্দ কন্টিজেন্ট শরুক য়াখি। পেরেড অসিদা রাজ্য, য়ুনিয়ন টেরিটোরি, মন্ত্রালয়শিং অমসুং বিভাগশিংগী টেব্লো ৩১ শরুক য়াখি। কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবস অসিদা খুঙ্গংশিংগী সরপনচ, হেন্দলুম অমসুং হেন্দক্রাফটকী আর্টিসিয়ানশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ মেম্বরশিং, আশা অমদি অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিং অমসুং লন্বী শেম্বা কর্ম্মচারি লিশিং ১০ অখন্নবা গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা গনতন্ত্র দিবস অদুদা উখ্রুল জিলাদগী সেম পান্বী থাদুনা মহৈ মরাং কায়না পুথোকপা ঙমখ্রবা-অৱংশি সিমরে অগাসতিনাসু অখন্নবা গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি

লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়নননা মনিপুরদসু ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন ঙসি ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা পাঙথোকখি।

রাজ্যপাল-শ্রী অজয় কুমার ভাল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্দুনা

তোঙান তোঙানবা মাচ পার্স কন্টিজেন্টশিংগী সলামি ওকখি।

রাজ্যপালনা মথৌ নিংথিনা তৌবগীদমক পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস, রিপাব্লিক ডে-২০২৩ অমসুং পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস, ইন্দিপেন্দেন্স ডে ২০২৩ পুলিস পার্সোনেলশিংদা খুৎশিন্নখি।

ঙসিগী গনতন্ত্র দিবস পালন অদু স্পোর্টসকী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-লাইশ্রম সরিতানা লুচিংখি। মসিদা পুন্না মাচ পার্স কন্টিজেন্ট ৫৪ শরুক য়াখি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কলচরেল গ্রুপ ১০ অমসুং টেব্লো ১২ শরুক য়াখি।

তুংদা, ইম্ফালগী অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা গনতন্ত্র দিবস পালনদা শরুক য়াখিবশিংবু তরামা ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লুরবা তানফম অসিদা কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবস পালন অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা হনজিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-মপাঙ্গল কনবা মনিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা লমদম অসিগী মীয়াম অমত্তা ওইনা লৈমিন্নগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা ভারত্তা অওনবা কয়া পুরকপা উরে। মহাক্কী মখাদা লৈবাক অসি মাংলোমদা চৎখৎপগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা মরিশুবা ইকোনোমি ওইবা ঙমবা হোৎনরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা সরকার অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা লেপত্রি। মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা রাজ্য অসি চাউখৎপা লম্বীরোমদা খোংজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি। শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি মনিপুরি খুদিংমক্কী খ্বাইদগী মাংজিল থানা পাঙথোক্কদবা থবক ওইগদবনি। মহাকা হায়-মনিপুর অমসুং ভারতপু মপাঙ্গন

কনবা অমত্তা ওইবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা জিলাশিং অসিগী মথৌ নীংথিনা তৌবা কর্ম্মচারিশিংদা কমেন্দেসন সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নখি। গনতন্ত্র দিবস পালন দাইরেক্তোরেট ওফ প্রিজন্স মনিপুর অমসুং মনিপুর সেন্ত্রেল জেল-শজিৱাদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ওফিসার অমদি ষ্টাফ ১৮ দা কমেন্দেসন সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাহহনখি। থৌরম অদুদা সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.এল.এশিং অমদি দলগী কর্ম্মি কয়ানা শরুক য়াখি।

অকাশবানি ইম্ফালদসু গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হেদ ওফ ওফিস (দাইরেক্তর ইঞ্জিনিয়ারিং) এন. নন্দকুমারনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি।

গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা এট হোম রিসেপসন পাঙথোকখি। থৌরমদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মন্ত্রিশিং, রাজ্য সভাগী এম.পি, এম.এল.এশিং, সিভিল, পুলিস, মিলিটরি, শকাইরবা মীওইশিং, এৱার্দি অমদি অখন্নবা ইনভাইটিশিং শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা গনতন্ত্র দিবস পালনদা মাচ পার্সকী চাংদমবগী ফল লাউথোকখ্রে। য়ুনিফোর্ম কন্টিজেন্টতা বি.এস.এফ অমসুং য়ু.এন-আর্মর্দ কন্বেদ টিমনা অহানবা তারে। স্কুল কন্টিজেন্টতা ১৪ শুবা এন.সি.সি. সেনিয়ার বোইস

এন্দ গার্লস অমসুং ৬৫ শুবা গালর্স এন.সি.সি. কন্টিজেন্টনা অহানবা তারে। কলেজগী কাংলুপ্তা দি.এম. কলেজ ওফ আর্টস গালর্সনা অহানবা, বেন্দ পার্টিদা অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফ. বেন্দ পার্টিনা অহানবা তারে।

কলচরেল ক্রুপকীদা দা স্তার ম্যুজিকেল সেন্টর-খুরাইনা অহানবা, টেব্লোদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল মনিপুরনা অহানবা, গেট শাবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অহানবা তারে।

মকোক মথং তারবশিং হয়েং অহানবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা ফোল্ক দান্স ফেষ্টিবেল অমসুং বিটিং দা রিট্রিৎ থৌরমদা য়েন্থোক্কনি।

**প্রোগ্রাম ঃ** ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী অখন্নবা পাউগী শক্তম অমা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং নুমিদাং পুং ৭.৫০ দা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিসিএল য়ু ট্যুব চেন্নেলদসু তাবা ফংবীগনি।

**গেলেন্টরি ঃ** কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেসকী পার্সোনেল ৯৩ দা গেলেন্টরি এৱার্দকীদমক অয়াবা পীখ্রে। মীওই ১১ দি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মনা অসি পীবনি।

মনাশিং অদুগী মনুংদা কৃতি চক্র অনি, শৌরিয়া চক্র ১৪, বার য়াওবা সেনা মেদল (গেলেন্টরি) ১, সেনা মেদল ৬৬, নাউ সেনা মেদল ২ অমসুং বাইয়ু সেনা মেদল ৮ য়াওরি। প্রসিদেন্ট পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস ফংবশিংগী মনুংদা মনিপুরগী দিপ্যুতি দিপ্যুতি এস.পি. (সি.আই.দি) স্পিসিএল ব্রান্স-সোরোকখাইবম রুদানরায়ননা, ইন্দো-টিবেতান পুলিস বোর্ডর পুলিস (আই.টি.বি.পি) গী ইন্সপেক্তর জেনরেল-ক্লে খোংশাই,

সি.আর.পি.এফকী কম্মান্দেন্ট-নামৈরাকপম কুঞ্জরানি দেবীনচিংবা য়াওরি।

রাষ্ট্রপতিনা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং অতৈ পার্সোনেলশিংগী দিফেন্স দেকোরেসন ৩০৫ সু পীবা য়াখ্রে।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা চহি অসিগী ওইনা পদ্মা এৱার্দ ১৩৯ সু পীবা য়াখ্রে। খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক অসিগী সিভিল্লিয়ন এৱার্দ অসিদা পদ্মা ভি ভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রী য়াওরি। কুমশি চহিগী মনা ফংগদবশিংগী মনুংদা পদ্মা ভি ভুসন ৭, পদ্মা ভুসন ১৯ অমসুং পদ্মা শ্রী ১১৩ য়াওরি। মসিগী মনুংদা নুপী ২৩ য়াওরি।

পদ্মা শ্রী মনা ফংগদবশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী শ্রীমতি থিয়াম শুরজামুখি দেবী য়াওরি।

**সেল (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা রাজ্যগী হোম বিভাগকী মখাদা দেদিকেটেদ এন্তি-এক্সটোরসন সেল হাংদোকখ্রে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেল অসিদা রাজ্য পুলিস, সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্স, অসাম রাইফলস অমসুং লান্মীগী মীহুৎশিং য়াওগনি। এন্তি এক্সটোরসন সেল অসিগী নম্বরনা-১৮০০-২০২-৩৩২৬ নি। টোল ফ্রি নম্বর অসি পুং ২৪ মথৌ তৌগনি।

চেরোল অদুনা হায়-মীয়াম অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অমদি শেলগী দাবী তৌরকপদা খুদক্তা থবক লৌখৎপা ঙমবা পান্দমদা সেল অসি হাংদোকপনি। শেলগী দিমান্দ তৌরকপদা মদু পীদবগীদমক রাজ্য অসিগী মীওই কয়া অমদি সরকারগী ওফিসিএলশিংদা ফোন তৌরক্তুনা, মেসেজ থাজিনদুনা অমদি চিঠি পীশিনদুনা কিহল্লকপগী থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈরে। মসিনা রাজ্য অসিগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাদা চাউনা শিংনবা অমা লাক্লে। করিগুম্বা কিহল্লকপা অমদি শেলগী দিমান্দ তৌরকপা লৈরবদ হায়রিবা টোল ফ্রি নম্বর-১৮০০-২০২-৩৩২৬ অসিদা ফোন তৌবীরকবা আপিল তৌরি।

**রাণি (এল) ঃ** শকাইরবী মনিপুরগী ফ্রিদম ফাইটর-রাণি গাইদিনলিয়ুগী ১১০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম মনিপুরদা ঙসি পাঙথোক্লি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা লুচিংবী অসিগী মপোক কুমওন থৌরম বি.টি. রোড ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রাণি গাইদিনলিয়ুগী ফোটোদা কংগ্রেস লুচিংবশিংনা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাণি গাইদিনলিয়ুগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবী অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা চাউখৎপা অমদি অমত্তা ওইবা পুরকবা ঐখোয় পুন্না হোৎনবগা লোয়ননা রাণি গাইদিনলিয়ুনা জাতি অসিগীদমক্তা কৎথোকখিবা অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংফম থোকই হায়না ফোংদোক্লি।

**কাউ (এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি (কাউ) ইম্ফালগী ৩২ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরোইশেম্বদা লৈবা য়ুনিভরসিতি অসিগী কলেজ ওফ এগ্রীকলচরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-ডা: অনুপম মিশ্রানা হায়-সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি ইম্ফাল অসি নোংপোক থংবা হিমালয়গী লমদমদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরি।

য়ুনিভরসিতি অসি ইং ১৯৯৩ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবদা মপুং ফাবা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইনা অৱাং নোংপোক্তা মসিগী মশা-মরেং শন্দোরক্লি। য়ুনিভরসিতি অসিদা ২০২০ অমদি ২০২৪ গা চাংদমবদা মহৈরোই নুপাগী মশিং চাদা ২৮.৫, নুপীগী মশিংনা চাদা ২৫.৭ হেনগৎলে। অন্দর গ্রেজুয়েট, পি.জি. অমদি পি.ঐচ.দি. মহৈরোইশিংগী মশিংশু হেনগৎলে।

**নাগালেন্দ ঃ** নাগালেন্দগী রাজ্যপাল-লা গনেসননা ঙসি চিফ মিনিস্তরস মোবাইল ওপরেসন ঠিয়েটর হৌদোকখ্রে। থৌরাং অসিনা রাজ্য অদুগী খুঙ্গং অমদি মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা পান্দমদা হৌদোকপনি।

কোহিমাগী নাগালেন্দ সিভিল সেক্রেটরিয়েট প্লজাদা ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালনগা মরী লৈননা ওপরেসন ঠিয়েটর অসি হৌদোকখিবনি। মোবাইল ওপরেসন ঠিয়েটর অসিনা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংদবা মফমশিংদা মতমগা চুন্নরবা সরজিকেল য়াওনা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং ফংহনগনি।

মোবাইল ওপরেসন ঠিয়েটর অসিদা কি-হোল সরজরি, এক্সরে, অলত্রা সাউন্দ, এনদোসকোপি অমদি ঈ টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবশিং য়াওরি। কোহিমা হোস্পিতালগী মেদিকেল টিম অমসুং লন্নাই অমদি পাব্লিক সেক্তরগী হেলথ কিয়ার প্রোফেসনেলশিংনা অনা লায়েংবগী দরকার ওইবা মীওইশিংগী য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা খুদোংচাবা পীগনি।

**গেমস (এল)ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী মশান্না ঙসিদগী উত্তরাখন্দদা হৌখ্রে।

ঙসি অহানবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী ত্রাইথলোন মশান্নদা মনিপুরগী শরুংবম অথৌবা মৈতৈনা সনাগী তকমান ফংদুনা গেমস অসিগী খ্বাইদগী অহানবা সনাগী তকমান ফংবা মনিপুরগী শান্নরোই ওইখ্রে। হলদ্বানি গোলাপারদা লৈবা মনসকান তরনতালদা শান্নখিবা ত্রাইথলোন মশান্নদা মণিপুরগী শান্নরোই টেলহৈবা সোরামনা লুপাগী তকমান ফঙলে। মহারাষ্ট্রগী পার্থ মিরাজনা সেংজেংগী তকমান ফঙলে।

গেমস অসি লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোক্কনি। গেমস অসি মথং থাগী ১৪ ফাওবা চথগনি। গেমস অসিদা শান্নরোই লিশিং ১০ হেনবা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৩৫ রোমদা অথোই

অহেন তান্নগনি।

গৱাদা পাঙথোকখিবা ৩৭ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৩০, লুপাগী তকমান ২২ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ৩০ পুন্না তকমান ৮২ ফংখিবনি।